

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,THURSDAY, NOVEMBER 24, 2016 **PAGE 7**


*১০ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া–বি টিমগী মণিপুরগী শান্নরোই টি ঐচ রঞ্জিৎ (ওই) অমসুং এল থোমসন (য়েৎ)*

## ১০ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল

### মমাংগী চেম্পিয়ন য়ু এস এ ইংলেন্দগী মখুৎতা ৩–৭ তা মায়থিবা নঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ

মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ১০ শুবা ইদিসনগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এ গী মেটচ অমদা ইংলেন্দনা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইখিবা য়ু এস এ বু পাঞ্জল ৭–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লৈবাক মরিদগী লাকপা টিম মরি অমসুং ইন্দিয়াগী টিম অনী পুন্না টিম তরুক্না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি।

য়ু এস এ অমদি ইংলেন্দ অনীনা ঙসি শান্নখিবা মেটচকী অহানবা চক্করদা টিম অনীনা শগোল মনিং মমাং থৌদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা চক্কর লোইশিনখি।

অনীশুবা চক্করগী শান্নবদা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা দোমিনেন্ট তৌখি। ফিল্ড শেল্লরনা শান্নবগী ১.১০ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা টিম কেপ্টেন জোর্স সেলটন্না ১.৪৭ মিনটতা ইংলেন্দগী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা কাবে অত্রক্না গোল অনী অমগা শান্নবগী ৪.৩১ অমসুং ৬.১৪ শুবা মিনটতা হাপচিদুনা ইংলেন্দনা ৪–০ দা অনীশুবা হাল্ফতা লিদ তৌখি।

অহুমশুবা চক্করদা ইংলেন্দগী খুদুম চন্না মখা চত্থরকপা ওইনা জের্স সেলটন্না শান্নবগী ৩.০৫ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবা ফিল্ড সেল্লরনা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোলশিং শান্নবগী ৪.৪২ অমসুং ৬.১২ তা চশিন্দুনা ইংলেন্দনা ৭–০ দা য়ু এস এ বু লিদ তৌখি।

অরোইবা চক্করদা য়ু এস এ গী মাইকৈদা হেন্না খুমাং চাওশিন্না শান্নখি। লুকাস রেদনা শান্নবগী ৪.৩৫ শুবা মিনটতা য়ু এস এ গী অহানবা গোল চনখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা জোর্স ক্রেপ্পা ৫.২৩ শুবা মিনটতা য়ু এস এ গী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা মেটচ লোইরমদাই য়ু এস এ কী রাইন ক্রোনিল প্রথরনা ৬.৫৭ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিনখিবগা লোয়ননা ৩–৭ দা ইংলেন্দগী মখুৎতা মায়থিখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কেনিয়াগী লোরেঞ্জো সোরিয়ানো অমসুং মণিপুরগী এস গিরিমোহোন মাউন্ট অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি গী মেটচ অসিদা আর দি এন্দ পি আর গী মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রো, পি ঐচ ই দি অমদি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী মিনিষ্টর টি মঙ্গা ভাইফৈ, হিলস এরিয়া কম্মিটিগী ভাইস চিয়রমেন জেৎ কীখোনবাও নিউমাই, পালিয়ামেন্টরী সেক্রেটরী এম দি অমিন সহা, থাংমৈবন্দগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিসন, লংথবালগী এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং লশাংগী এম এল এ দব্লিউ ব্রজাবিধুনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২ দগী হৌরগা টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেটচতা ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া–এ অদুগা অনীশুবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কেনিয়া লম্বা তৌনরগনি।



*ইংলেন্দগী এলেক্স বেনর ইভ (ময়াই) না পুখৎখিবা বোল অমা য়ু এস কী লুকাস রেদ (ওই) না য়েংদুনা লৈহৌবা*

## ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬

### মমাংগী চেম্পিয়ন এআইএম না নাকো মায়থিবা পীরম্লগা নেরোকাগা ফাইনেলদা থেংনরগনি

MSL

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ

মণিপুর ষ্টেট লীগকী ১১ শুবা ইদিসনগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মমাংগী চেম্পিয়ন অনৌবা ইমাগী মঙাল খাবম লমখায়না নম্বুল মপান এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) বু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

এআইএম অমদি নেরোকা এফ সি নবেম্বর ২৫ গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা ফাইনেল মেটচকীদমক লম্বা তৌনরগনি।

এআইএম অমদি নাকো অনীনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা শান্নবা হৌরকপদগী টিম অনীনা বোল হেন্না পায়নবা হোৎনবগা লোয়ননা লম্বা মান্ননা শান্নখি।

টিম অনীগী মাইকৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফঙনদবদগী অহানবা হাল্ফ গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদসু টিম অনীনা দিফেন্সিপ পোজিসনদা শান্নদুনা গোল চন্নবা ঙম্নখিদে।

মেটচ লোইরমদাই এ আই এম গী এন প্রিতম্মা গোল তম্না পুশিল্লবা বোল অমা লৌনবা হোৎনরুবদা নাকোগী টি ঐচ ঙৌবনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবদগী রেফরিনা পেনালটি কিক অমা এ আই এম গী ফেভরদা পীখি।

স্পোর্ট কিক অদু এন প্রিতম্মা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৮১ শুবদা মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনবা ঙমখি।

রেফরিগী দিসিজন অদুবু য়ানিংদবদগী ঙাইহাক শান্নরোইশিংগী মরক্তা চরাংনবা মতুং এআইএম গী এস দিনেস রেফরিনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। রেফরিনা মখা তানা এআইএম গী টি মেনেজর এন রগুমাণিবুসু ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা শান্নরোই অনী এআইএম গী ৱাই চিঙ্খ্রে অমসুং নাকোগী এস অনন্দ খৎনগে তৌরকপদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা শান্নরোই অনীমক ফিল্ডদগী মপাল থোকহনখি।

চিঙ্খ্রে মথংগী ফাইনেল মেটচতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈররোই। শান্নখিবা মেটচ অসি এল প্রিয়োবট্টনা সেন্টর রেফরি, রিনকাহাও বাসুম অমসুং আর কে রঞ্জন্না এসিসটেন্ট রেফরি, এল রোজিৎনা ফোর্থ ওফিসিয়েল অমসুং কে এস ঐচ সরৎচন্দ্রনা মেটচ কম্মিসনর ওইনা শরুক য়াখি।

নিংশিংবা য়াবদি নেরোকা এফ সি না নাকো নম্বুল মপাল মাইথিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

লীগ অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিম অনীসি মমাংগী ইদিসনদসু লম্বা তৌনখিবদা এআইএম না নেরোকাবু মায়থিবা পীখিবনি।



*নাকোগী জোন্সন্না কাওরক্কদবা বোল অমা এআইএমগী তোম্বনা ঙাকথোক্রবা হোৎনবা*

## ১০ শুবা জাদোনাং নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

### গাইদিমজাং ফুটবোল ক্লব অমসুং সওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লব ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ

জাদোনাং নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১০ শুবা ইদিসনগী থাংমৈবন্দগী থাউ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা গাইদিমজাং ফুটবোল ক্লব অমসুং সওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লব অনীনা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙন্বা টিম ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা গাইদিমজাং ফুটবোল ক্লবনা দুইথানজাং য়ুঠ ক্লবপু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

হেনরি কাংমৈনা শান্নবগী ৮ শুবা মিনটতা গাইদিমজাং গী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা জেনগোংরৈ দাংমৈনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা গাইদিমজাংগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা হাল্ফকী গোল অহুম শান্নবগী ৫৩, ৫৪ অমসুং ৬০ শুবা মিনটতা চঙশিন্দুনা দুইথানজাংবু ৫–৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

দুইথানজাংগী গোলশিং অদু জিদিওন কামৈ, পৌদিখোনবৌ দাইমাই অমসুং নিংশিংঙম থাইমৈনা শান্নবগী ২৯, ৭২ অমসুং ৭৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এস সুরেসনা মায় পাকপা টিমগী গাইচাংপৌ গাংমৈ ৫৭ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ইরোই লোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবনা মেজোরখুল য়ুঠ এসোসিয়েসনবু তাই ব্রেক্তা ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীনা নোরমেল টাইমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মখাতানা এক্সত্রা টাইমগী শান্নবদসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই মরি, শওম্বুং সাইরেমগী পালমৈ গাইথাওদাই, পালমৈ অগাসি অমসুং ফিলেমোন চৱাং শান্নবগী ৫৮, ৬৩ অমসুং এক্সত্রা টাইমগী ১৪ শুবা মিনটতা অদুগা মেজোরখুলগী এন কে রমপিবৌ শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

টাই ব্রেক্তা মেজোরখুলগী শান্নরোই অনী কনিংলুং গাংমৈ অমসুং লপসন পালমৈ গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

অদুগা সাইরেমগী শান্নরোই মরি হেনরি চৱাং, পালমৈ পৌপাঙাই, ফিলেমোন চৱাং অমসুং পালমৈ লানচালুং গোল ওন্থোক্তুনা মেজোর খুলবু ৪–২ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ নবেম্বর ২৫ দগী শান্নবা হৌরগনি।

নুমিৎ অদুগী অহানবা মেটচতা নমদুনলোং য়ুঠ ক্লব অমসুং লোংমাই অনীনা লম্বা তৌনগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতা চিংমৈরোং ক্লব অমসুং কালালোং য়ুঠ ক্লব শান্নরগনি।



## হঙ্গর মার্চস কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট

### ওইনাম অমদি ৱাঙ্গোই কাংখুৎ অনীনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ

ওল মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী লমজিং মখাদা ইবুধৌ মোইরাংপোকপা কাংখুৎনা শীন্দুনা কক্কাগী ইবুধৌ মোইরাংপোকপা শঙলেন কাংশঙদা চত্থরিবা হাঙ্গর মার্চস কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক ৱাউত কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৫–১১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙন্বা অনীশুবা টিম ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা ওইনাম কাংখুৎ অমসুং ৱাঙ্গোই কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা নবেম্বর ৪ দগী শান্নবা হৌরকখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাঙ্গোই কাংখুৎনা নম্বোল কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৯–৭ তা মায়থিবা পীখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ শান্নবগী মতম চপ চানা লেপত্রি।



## ই এল বি বি টি সি কৈশামথোংনা ষ্টেট লেভেল পৱার লিফটিং চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে







*নুপাগী কে জি ৯৩ গী কেতেগোরিদা টি ঐচ লোইজিংলেম্বনা স্কৱার্দ কী থাংগৎখিবা (ওই) অমদি স্ত্রোং ৱুমেন টাইটল ফঙখ্রবী হুমেশ্বরি (য়েৎ)*

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ

ই এল বি বি টি সি কৈশামথোং ইলাংবম লৈকায়না গোল্ড ৮, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না পোইন্ট ৪১৮ ফঙদুনা ঙসি খুমন লম্পাক্কী সাই এস এ জি ইন্দোর হোলদা পাংথোকখিবা ৪ শুবা ষ্টেট লেভেল পৱার লিফটিং চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী ওভর ওল চেম্পিয়ন তাখ্রে।

য়ুনিক জিম নিংঙোমথোংনা পোইন্ট ২১৮ ফঙদুনা ওভর ওল রন্নর্স অপ অদুগা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা পোইন্ট ১৩৪ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসি ওল মণিপুর পৱার লিফটিং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা য়ুনিট ৭ তগী লাকপা নুপা ২৬ অমদি ২৫ না শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী সেনিয়র নুপীগী কে জি ৫৭ কী কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল ফঙখ্রবী ই এল বি বি টি সি গী কে হুমেশ্বরিনা স্ত্রোং ৱুমেনগী টাইটল লৌখ্রে।

হুমেশ্বরি বিষ্ণুপুরগী তৌবুলদা লৈবা লৈখিদ্রবা কে অপাবী অমদি কে মেম্মা অনীগী মরিশুবা মচানুপীনি।

হুমেশ্বরিনা ফোংদোকখিবদা ২০১৪ দা জমসেটপুরদা পাংথোকখিবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা মহাক্না ইন্টরনেসনেল স্ত্রোং ৱুমেনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা ২০১১ দগী হৌজিক ফাওবদা নেসনেল লেভেলগী ওইনা স্ত্রোং ৱুমেনগী টাইটল লৌরগা লৈরি।

ঙসি পাংথোকখিবা সেনিয়র নুপীগী কে জি ৫৭ কী কাংলুপ্তা হুমেশ্বরিনা স্কৱার্দতা কে জি ১১০, বেন্স প্রেসতা কে জি ৭০ অমসুং দেদ লিফতা কে জি ১৫০ পুন্না কে জি ৩৩০ থাংগৎতুনা অহানবা মনা ফঙখি।

অদুগা চপ মান্নবা টিমগী এন কুঞ্জারাণিনা কে জি ২৩০ থাংগৎতুনা অনীশুবা অমসুং কে বি বি টি সি গী এম তম্ফাসনানা কে জি ২১২.৫০ থাংগৎতুনা অহুমশুবা মনা ফঙখি।

সেনিয়র নুপীগী তোঙান তোঙান্না ৱেঠ কেতেগোরিদা য়ুনিক জিমগী টি ঐচ বিদ্যারাণি, এস অনীতা অমসুং এ মথেনসনানা কে জি ৪৭,৬৩ অমসুং ৮৪ অদুগা ই এল বি বি টি সি গী এন রোমোলা অমসুং এন ববিতানা কে জি ৫২ অমসুং ৭৮ কাংলুপ্তা গোল্ড মেডলশিং ফঙবা ঙমখি। নুপীগী মাষ্টরগী কে জি ৬৩ গী কাংলুপ্তা য়ুনিক জিমগী এস অনীতানা গোল্ড মেডল লৌখি।

অদুগা জুনিয়র নুপীগী কাংলুপ্তা য়ুনিক জিমগী কে মঙানলৈমা, এ গুনিতা অমসুং ই এল বি বি টি সি গী এন জেনি কে জি ৬৪, ৭২ অমসুং ৮৪ কাংলুপকী গোল্ড মেডলশিং লৌখি।

## ২৫ শুবা মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়নসিপ

### মণিপুরনা রাজস্থান ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ

মৈধ্য প্রদেসকী সহর মুরেনাদা লৈবা ডাঃ বি আর অমবেদকর ষ্টদিয়মদা চত্থরক্লিবা ২৫ শুবা মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়নসিপকি ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা রাজস্থানবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা অহানবা সেটতা পোইন্ট ২৫–১২ অদুগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেটতা ২৫–১৫ অমসুং ২৫–১৯ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙম্লকখিবনি।

হয়েং মণিপুর অমদি উত্তর প্রদেশ ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা অন্দ্র প্রদেসপু সেট ৩–০ (২৫–২০, ২৫–১৯ অমসুং ২৫–১০) পোইন্ট মায়থিবা পীখি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরনা গ্রুপ সি দা তেলেঙ্গানা, চান্দিগর, ঝারখন্দ, গুজারাট অমসুং অসাম পুন্না লম্বা তৌনখিবদা গ্রুপ ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি থুৱানখম্পাও পানমৈ, এম দি সকিল, এম এম নৱাস, এস ইনাওবা, ৱাই আরবিন, ঐচ রোমেসকুমার, এল ঐচ থাংমৈসো, কে ঐচ রোমি, পি ঐচ সোমানন্দা, এ বিদ্যকুমার, সি ঐচ রোসিকুমার অমসুং এম দি অনীসুরনি।

অদুগা মণিপুর টিমগী কোচ অমদি মেনেজরনা ৱাই বাবুমচা সিংহ অমসুং দব্লিউ লক্ষ্মি সিংহ নি।

